**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা জে.এ.সি অমদি মীয়ামা হৌজিক চথরিবা সটদাডন মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা হাংদোকপীনবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি।

২) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে।

সাইন্স ষ্ট্রিমদা তখেল্লম্বম কলপনা দেবী অমদি য়োহেন লোংজমনা পুন্না মকোক ওইরে।

আর্টস ষ্ট্রিমদা শরাংথেম অইংবী চনুনা অমদি কম্মর্স ষ্ট্রিমদনা থোইহেনবা থোঙামনা মকোক ওইরে।

৩) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

৪) সরকারনা হায়রি- লৈবাক অসিগী চাকথোং গ্যাস (এল.পি.জি)গী অৱাৎপা লৈতে।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং খা কোরিয়া লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা লমদা তেংবাং পীননবা য়ান্নচে মরি সহি তৌনখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মালেমগী অনিসুবা লাঞ্জাউদা মণিপুরগী খুরাই চিঙাংবম মান্দোপ তা বোম থাদরকখিবগী থৌওংনা লমদম অসিগী মীয়ামদা লানগী চৈথেং ফংহনখিবা অহানবা মীকুপ ওইখি। থৌদোক অসি মণিপুরগী পুৰারীদা কাউঙল্লরোইদবা মীকুপ অমা ওইদুনা লৈহৌরি।

ৱাফম অসি খুরাই চিঙাংবম মান্দোপ এরিয়েল বোম্বিংগী ৮৩ রক শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি খুরাই থাংজম লৈকাই মল্টি পর্পজ হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগা সরকারগা অনিরক ৱারী শান্নখ্রে। জে.এস.সিনা তাল্লিবা দাবীশিং অয়াম্বা সরকারনা পীরে। মখা তানা সরকার করি থৌরাং পায়খৎসিগে হায়বদু খন্নরি। মরম অদুদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা জে.এ.সি অমদি মীয়ামা হৌজিক চথরিবা সটদাউন মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা হাংদোকপীনবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী আর্টস, কলচর অমসুং টুরিজম মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন অমদি এম.এল.এ থাংজম অরুনকুমার শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিউ চেক্কোনদা নৌনা শাগদবা নুপীশিংগী ওইবা কৈথেল শঙগী উরেপ উয়ুং তমখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রোজেক্ট অসিনা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগী ওইনা শাফবা মফম পীদুনা মখোয়গী শেন্দান লম্বীদা চাউনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংবু মখা তানা শৌগৎতুনা মখোয়গী ওইনা অফবা মখলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর পীনবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

কোসেম (এল)ঃ  কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মণিপুর(কোসেম)না লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাগী ফল

লাউথোক্লে। পরিক্ষা অসিগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা কোমেট স্কুল চাঙাঙ্গৈ-উচেক্কোনগী তখেল্লম্বম কলপনা দেবী অমদি কম্প্রিহেন্সিভ কোন্সেপ স্কুল শঙাইপ্রৌগী য়োহেন লোংজমনা মার্ক ৪৯০ ফংদুনা মকোক ওইরে। মিল্লেনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীগী পেবম তাইবংঙানবা মঙাংনা মার্ক ৪৮৫ ফংদুনা অনিসুবা অমসুং কোমেট স্কুল চাঙাঙ্গৈ-উচেক্কোনগী কৈথেল্লাকপম ৱাইনোনা-না মার্ক ৪৮০ ফংদুনা অহুমসুবা তারে।

আর্টস ষ্ট্রিমদা ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল শঙাকফমগী শরাংথেম অইংবী চনুনা মার্ক ৪৭০ ফংদুনা মকোক ওইরে। টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফালগী পুস্পা ককচিংতাবমনা মার্ক ৪৫৬ ফংদুনা অনিসুবা অমদি  ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল শঙাকফমগী চেশাবম নুরমিয়ানা মার্ক ৪৫২ ফংদুনা অহুমসুবা তারে।

কম্মর্স ষ্ট্রিমদা সি.সি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফালগী থোইহেনবা থোঙামনা মার্ক ৪৫৪ ফংদুনা অহানবা তারে।
টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফালগী হাওরোংবম কেনিয়ানা মার্ক ৪৩৩ ফংদুনা অনিসুবা অমসুং সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফালগী অথোকপম দেনিনা মার্ক ৪৩১ ফংদুনা অহুমসুবা তারে।

পরিক্ষা অসিদা সরকারগী স্কুলশিংগী ওইনা পুন্না নুপা মহৈরোই লিশিং ৪,৯৪২ পরিক্ষা থাবদা লিশিং ৪,১৭১ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৮৪.৫ ওইখি। নুপী মহৈরোই পুন্না লিশিং ৪,৮১১ পরিক্ষা থাবদা লিশিং ৪,৩০৫ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাদা ৮৯.৬১ ওইখি।

লনাই স্কুলশিংগী ওইনা নুপা অমসুং নুপী মহৈরোই পুন্না লিশিং ২১,৫০৬ পরিক্ষা থাবদা লিশিং ২০,৩৩১ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৪.৫৪ ওইখি।

জিলা জিলাগী ওইনা পরিক্ষা পাস তৌবগী চাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা চাদা ৯৫.৪৩, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ৯২.৭৫, থৌবাল জিলাগী ওইনা ৯৭.৬৫, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ৯৩.৮৮ অমসুং ককচিং জিলাগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৮১.৮৫ ওইখি। চীংগী জিলাশিংগী ওইনা নোনে জিলানা চাদা

৯৮.৯৩ পাস তৌদুনা খ্বাইদগী য়ামা পাস তৌবা জিলা ওইরে। অদুগা কাংপোকপী জিলাদা চাদা ৮২.৫৯ ওইদুনা খ্বাইদগী নেমা পাস তৌবা জিলা ওইরে।

করফিউ (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

ভেক্সিন (এল) ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার ডাঃ শুনিল কামৈনা হায়রি- দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোং, পি.ঐচ.সি তামৈ, পি.ঐচ.সি ওইনামলোং অমসুং পি.ঐচ.সি তৌসেমদা সরভাইকেল কেন্সরদগী ঙাকথোকবা চহি ১৪ দগী ১৫ গা থা ৩ ফাওবগী নুপীমচাশিংদা হ্যূমেন পেপিলোম ভাইরস ভেক্সিনগী সিঙ্গল দোজ লেমা কাপ্পগী খুদোংচাবা মীয়ামা লৌবীয়ু। মমাং থাদগী হৌখিবা থা অহুম চুপা চথুরিবা হিদাক কাপ্পগী কেম্পেন অসি মথং থাগী ৩১ ফাওবা চথুগনি। মসিদা মীয়ামা মশাগী আধার কার্দ নত্রগা স্কুলগী আই.দি. কার্দ নত্রগা মশাগী চহি উৎপা চে চাংশিং পুরক্লগা হিদাক কাপ্পা য়াগনি।

নোনে (এল)ঃ থা অমা চুপা পাঙথোরকপা ৱার্ল্ড ওরেল মন্থ ঙসি নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা হেলথ সেন্তর অমসুং মহৈ লোইশঙশিংদা পাঙথোকখ্রে। হেপ্পি মাউথ ইজ এ হেপ্পি লাইফ হায়বা হিরমদা পাঙথোক্তুনা লাকপা থৌরম অসি সেনিয়র দেন্টেল সার্জন ডাঃ বারিয়াম জেমস কবুহ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডাঃ থুইমৈ কামৈনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পীক্লিবা মহৈরোইশিং ওরেল স্ক্রিনিং অমসুং য়াগা মরী লৈনবা অনা লায়েংনচিংবা পাঙথোকখি।

ডে(এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খোঙজোম খেবা চীংদা লৈবা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপেক্সতা এপ্রিল ২৩ দা চহী খুদিংগী রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা পাঙথোকপা খোঙজোম ডেগী থৌরম হন্দক চহীগী ওইনা পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। নুমিৎ অসিগী মাংওইননা ঙসি ফুল রিহরসেলগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মদুদা, মণিপুরগী রাজ্যপালগী এ.দি.সি, মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, হোম বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

কন্দেম (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী টি.এম কশোম ভিলেজ মপাদা লুমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা তাংখুল নাগাগী মিচম অনি লৈখিদবগী থৌদোক অদুবু জোইন্ট ত্রাইভস কাউন্সিল মণিপুর, নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর, চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, মণিপুর ইমা, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

কন্দেম (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা হকশেলগী ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং হেলথ কেয়ার সার্ভিসেসশিংগী থবক থৌরম কয়াদা অয়েৎ অপন পীরকপবু এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস মণিপুর (এ.ঐচ.পি.আই)না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এম্বুলেন্সকী গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ অপন পীবা অমসুং হোস্পিতালশিংদা তিয়ার গ্যাস কাপশিনবগী থৌওং কয়া লাক্লিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী ঙসি ফাওবা নহাশিংবু মশা মউ ফনা অমসুং পুকিং ৱাখল ইংনা লৈহন্নবগী পান্দমদা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা যোগগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া

পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুদা খুঞ্জা নুপা অমসুং নুপী পুন্না ১২৭ লোমনা শরুক য়াখি। অমরোমদা অসাম রাইফলসনা ঙসি চকপিকারোংগী অকাফে খুলদা য়ুম অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী কনবা ঙমখ্রে। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সার্কিটতগী হৌরকপা ওইরব্না য়াই হায়রি।

গ্যাস ঃ সরকারনা হায়রি- লৈবাক অসিগী চাকথোং গ্যাস (এল.পি.জি)গী অৱাৎপা লৈতে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা মন্ত্রিশিংগী মীফমদা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা চাকথোং গ্যাস ৱাৎকনি হায়বগী মীপাইনিঙাই লৈতে। মীয়ামদা এল.পি.জি মরাং কায়না ফংহন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী গ্যাস বুক্কিং তৌবগী চাং নিংথিনা হেনগৎলে। মসিনা মরম ওইরগা অহেনবা চাকথোং গ্যাস মীয়ামদা নিংথিনা ফংহনবা ঙমলে। এল.পি.জি গ্যাস বুক তৌনবগী দিলিভরি ওথেন্তিকেসন কোদ (দি.এ.সি) শিজিন্নবগী চাং হৌজিক লৈরিবা ফিভম চাদা ৯০ দগী চাদা ৯২ দা হেনগৎলে। মসিগী মথক্তা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জি সিলিন্দর য়েন্থোকপগী চাংসু হান্না লৈরব্না চাংদগী হেনগৎতুনা চাদা ৭০ য়ৌরে। কিলোগ্রাম মঙাগী অপিকপা সিলিন্দর য়োনবগী চাংসু হান্নদগী শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে। নোংচুপ এসিয়াদা লৈরিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা চাকথোং গ্যাস ফংলরোই হায়বগী মীপাইনবা হেনগৎলক্লিবা অদু য়েংলগা থা অসিগী ৩ দগী হৌজিক ফাওবদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী কেম্প লিশিং ৭ কী মথক্তা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। হৌজিকসু মখা তানা শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুরকপা ভারতকী ফিরাল থেৎপা জহাজ মথং মথং য়ৌশিল্লক্লগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং খা কোরিয়াগী রাষ্ট্রপতি লি জে মিয়ুগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা শান্ন-খোৎনবা, কলা সংস্তি অমসুং ক্রিয়েতিভ ইন্দষ্ট্রি

য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা তেংবাং পীননবা য়ান্নচে মরি সহি তৌনখ্রে।

লুচিংবা অনি য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অনিমক্তা গনতন্ত্র, শেল থুম অমসুং আইন ঙাকপগী মান্নবা চৎনবী লৈ। শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ দা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলক্লি। মহাকা হায়- রাষ্ট্রপতি লিগী হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা তুং কোইবা মরী থন্বদা মতেং ওইরগনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- হৌজিক্কি মতমদা লৈবাক অমা চাওখৎহনবদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা শেমগৎপা হায়বসি য়ামা মরুওই।

ইন্দিয়ান রেলৱেজ অমসুং সেন্ত্রেল ইঞ্জিনিয়ারিং সার্ভিস (রোডস)কী এসিষ্টেন্ট একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারশিংগী প্রোভেসনরি ওফিসারশিংগা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা উন্নবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- রেলৱে অমসুং হাইৱেশিংগী ফিভম ফগৎহন্দুনা মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা শেল থুম অমসুং সমাজগী ফিভম ফহনবদা চাউনা মতেং ওইরি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- রেলৱেগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম ফগৎহনবনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা শেল চংবা হন্থহল্লি, মীরৈবাক্তগী শেল থাদবগী চাং হেনগৎহন্দুনা চাওখৎ থৌরাংগী ফিভম ফগৎহল্লি। রেল লম্বী অমসুং লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি চৎথোক চৎশিনগী পান্বে ফগৎহনবা খক নত্তনা শেল থুম, সমাজিক অমসুং লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম শাগৎপদা মতেং ওইহল্লি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরগী উধমপুর জিলাদা পেসেঞ্জর বস অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিরে, অতোপ্পা ২৯ না শোক্লে।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপা অদুৱাইদা বস অদুনা চীং লম্বী অমদা গোলাই লৈবদা নংহৌদবদগী চীংখাদা ওন্থখিবনি। বস অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ৫০ তোংলকপনি। মখোয়গী মনুংদা ২১ শিরগা, ২৯ না অশোক অপন নংখিবনি।

থৌদোক অদুবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। অশোকপশিং অদু য়ামা থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা প্রধান মন্ত্রিগী নেসনেল রিলিফ ফন্দদগী লুপা লাখ ২-২ পীরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে। অশোকপা অমমমদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়রি।

ইসি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রি- মীখল পাঙথোক্কদবা রাজ্যশিংদা ভোৎ থাদবা লোইদ্রিঙৈগী পুং ৪৮ গী মমাংদা পোল্লিং ষ্টেসন নত্রগা মসিগী অকোইবদা য়ু য়াওনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োনবা থিংলে। ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউনা হায়- পোল্লিং ষ্টেসনগী মনাক নকা লৈবা হোতেল, য়ুম, দুকান নত্রগা অতৈ মফমশিংদা য়ুনচিংবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োনবা য়ারোই। মসিগী মথক্তা ভোৎ মশিং থিগদবা মথং থাগী মরি অসিসু মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং দ্রাই ডে ওইগনি হায়না লাউথোকখ্রে। কনাগুম্বনা মীখল মমাং অমসুং ভোৎ মশিং থিরমদাইদা য়ুনচিংবা লৌশিল্লগা থম্বা য়ারোই। লাইসেন্স পায়রগা য়ু য়োনবা মফমশিংদসু ষ্টোকতা য়ু থম্বা য়ারোই। করিগুম্বা থল্লম্বা থোক্লুবদি এক্সাইজ এক্টকী মখাদা লাইসেন্স ফাওবা ককথৎনবা মরী লৈনবশিংদা কম্মিসন্না পাউতাক পীখ্রে।

মীখলঃ নোংচুপ বেঙ্গলগী বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম লোইগদবা নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগী লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

নোংচুপ বেঙ্গলদা বি.জে.পি, কংগ্রেস অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসকী য়াওনা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা ঙসি মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়ারি। বি.জে.পি প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন পুর্বা মেদিনিপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি নদ্দানা মুর্সিদবাদ অমসুং বন্দকুরাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহসু বিরভুম জিলাদা পাঙথোকপা

মীখলগী রেল্লি অমসুং রোদ সোদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খার্গেনা ঙসি সিল্লিগুরি অমসুং কুচবিহারদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি। ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী অমসুং রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনরজি নোর্থ ত্বেন্তি ফোর পর্গনাজ জিলাগী খার্দহাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি।

তামিলনাদুদা তেলেগু দেসম পার্তিগী লুচিংবা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি চন্দ্রবাবু নাইদু, তেলেগু দেসম পার্তিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কিনজরাপু রামমোহন নাইদুনা ঙসি কোইম্বাতোরদা এন.দি.এগা চুংশিন্নবা কাংবুগী ভোৎ খোমখি।

উপ-রাস্ত্রপতি ঃ উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রাধাকৃষ্ণননা মহাক্কী শ্রীলঙ্কা খোঙচৎকী নিনি চনবা নুমিৎতা ঙসি অয়ুক নুৱারা-ইলিয়াদা থুংখ্রে। মফম অদুদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা ভারত্তগী হৌখিবা শ্রীলঙ্কাদা লৈবা তামিলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎপা ইন্দিয়ান হাউসিং প্রোজেক্টকী মখাদা শাবা য়ুমশিং য়েংশিনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

আইপিএলঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটকী মেটচতা হৌজিক গুজরাত টাইতান্সকা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা অহেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

ক্রিকেট ঃ ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকাগী মেটচ মঙাগী ওইবা নুপীগী টি-ত্বেন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট তুরনামেন্টকী অনিসুবা মেটচতা সাউথ আফ্রিকানা ভারতপু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে। মেটচ মঙাগী সেরিজ অসি সাউথ আফ্রিকানা ২-০ দা মাংজিল থারি।

------